পোক্নফম
www.poknapham.in • THE LARGEST CIRCULATED MANIPURI DAILY • www.thepeopleschronicle.in



জে এন দাস একাদমিদা পাঙথোকপা কলাক্ষেত্র মণিপুরগী রেবসাইত হাংদোকপগী থৌরমদা দিরেক্তর ঐচ কন্হাইলালনা ৱা ঙাঙবা
খংজ্রাকপম কৃষ্ণমোহোন্না ইবা 'কেল্লবা উনাগী ঈশৈ' হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক ফোঙবা
গ্যাসকী পাউ লামায় ৫ দা | অঈং-অশা | ঈংবা 15°C | শাবা 28 °C | নোংজুপী চাং 0.0 mm
GOLD (24k) ₹ 27,340* *Per 10gm in Kolkata | INR / USD ₹ 64.9697/ 1$



# চাকহাও হেন্না পুথোক্লবা এক্সন প্লান শেমগদৌরি

**পোক্নফম নিউজ সার্বিস**

**ইম্ফাল, ওক্তোবর ১৮ঃ** ব্লেক রাইস, মণিপুরদা 'চাকহাও' হায়না খঙনবা হকচাংদা অসুক্কী মতীক কান্নবা পীবা ওস্বা অৰাং নোংপোক্তা ফংলিবা চেঙ মখল অসি প্রমোত তৌনবা এক্সন প্লান শেম্নবগী থবক চখরক্কদৌরি হায়না তাইমস ওব ইন্ডিয়াগী রিপোর্ত অমনা হায়রি।

রিপোর্ত অসিনা ফোঙদোরকপদা, য়ু এস এ, অস্ত্রেলিয়া অমসুং য়ুরোপিয়ান লৈবাকশিংদা পাম্নবা চেঙ মখল অমা ওইরিবা 'ব্লেক রাইস' অসি প্রমোত তৌনবা আই এ আর আই (ইন্দিয়ান এগ্রীকলচরেল রিসার্চ ইনস্তিত্যুত) না গবর্নমেন্ততা এক্সন প্লান অমা অথুবদা পীখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনরি।

এক্সন প্লান অসিনা লৈবাক অসিগী ফোরেন একচেঞ্জ হেন্গৎহনবদা নত্তনা অৰাং নোংপোক অমদি অতৈ মফমগী লৌমীশিংগী ফীবম ফগৎহনবা ঙমগনি।

চেঙ অঙৌবা মখল অসি দোমেস্তিক অমসুং ইন্তরনেসনেল মার্কেত্তা মমিং লৈরি অমসুং 'বাসমতি' ভেরাইতিনা চেঙ অঙৌবা মখলশিংগী মনুংদা অচৌবা ফীদা অমা কন্দুনা লৈরি। অদুবু হকচাংদা হেন্না কান্নবা পীবা মতীক মগুন কয়ামরুমসু য়াওরবা অমদি মচি ওইবা চীঞ্জাক মখল অমা ওইরিবা অৰাং নোংপোক্তা ফংলিবা ব্লেক রাইস (চাকহাও) না তুংদা লাক্কদৌরিবা মতমশিংদা কঞ্জুমরশিংগী থম্মোয় শোয়দনমক খুদুম চনবা ঙমগনি।

ব্লেক রাইস অসি চাইনাগী খুৎথাংদা মালেমগী লমায় ১ গী মখা ***মখা লাঃ ৫, কলম ৫ দা***

কৈথেলদা শকখঙন্নরকপনি। চাইনানা ব্লেক রাইস অসি লোকেল কঞ্জুমসনগী অমসুং মীরৈবাক্তা থাদোক্লবগী পান্দমদা লৌবুক্তা থারি।

আই এ আর আইগী চীফ, ত্রিলোচান মোহপত্রনা হন্দক্তা 'ৱার্ল্দ ফুদ দে' পালন্দা শরুক য়াখিবা শক্নাইরবা সাইন্তিস্তশিংদা ফোঙদোকখিবদা, মখোয় (সাইন্তিস্তশিং) না নন-বাসমতি রাইস পুথোক্লিবা লমদমশিংদা করিগুম্বা মতমদা চৎতুনা রিসার্চ তৌবা য়াওরবরা। 'অতৈ লমদমদা ফংলিবা অতোপ্পা চেঙ মখলশিংবু প্রমোত তৌনবা' চপ চাবা এক্সন প্লান অমা লৈরগনি। গবর্নমেন্তনা খূৎ থিংজিন্দুনা তোপ তোপ্পা মগুণ চেল্লবা চেঙ মখল অসিবু হেন্না মরাঙ কাইনা পুথোকহন্নিংই হায়নসু মোহপত্রনা থৌরম অদুদা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়ানা বাসমতি ভেরাইতি এক্সপোর্ত তৌবদগী লুপা কোতি লীশীং ৪০ গী ফোরেন একচেঞ্জ ফংদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ফোরেন একচেঞ্জ তানবা ঙম্লি। লৈবাক অসিনা অনৌবা বাসমতি ভেরাইতি (পুসা-১৫০৯) গী মপান্দগী নিংথিনা পোথোক পুথোক্লিবা ওইরগসু অতৈ অতোপ্পা মখলগী চেঙশিংসু এক্সপোর্ত তৌদুনা ইন্তরনেসনেল মার্কেত্তা হেন্না হেন্না ফীদা কনবা পাম্লি।

আই এ আর আইগী জিনেতিক্স দিবিজনগী হেদ, এ কে সিংহনা ফোঙদোরকপদা, ব্লেক রাইসকুম্বা ভেরাইতি প্রমোত তৌবগী ৱাখলোন অসি অতোপ্পা রিজন্দা লৈবা লৌমীশিংবু হেন্না কান্নবা ফংহন্নবনি। 'ব্লেক রাইসতা হীদাক কান্নবা মগুণশিং য়াওরি। লায়না কয়া ঙাকথোকপা ওস্বা এন্তিওক্সিদেন্তশিং য়াওবগা লোয়ননা মসি কেন্সর ঙাকথোকপা ওস্বগী মগুনশিং য়াওরি'।

'প্রমোতিং এক্সপোর্তেবল রাইস ভেরাইতিজ এন্দ ইভোলবিং এ সস্তেনেবল দিবেলপমেন্ত মোদেল' হায়বসিদা পাঙথোকখিবা কনফরেন্স অদুদা শরুক য়াখিবা অতৈ সাইন্তিস্তশিংনসু ব্লেক রাইসকুম্বা অতৈ চেঙ মখলশিং প্রমোত তৌনবা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

আই এ আর আইগী জোইন্ত দিরেক্তর (রিসার্চ), কে ভি প্রভুনা অতোপ্পা লোকেল ভেরাইতিশিং প্রমোত তৌনবা হোৎনবদা গবর্নমেন্তনা খূৎ থিংজিনবগী মথৌ তাবা ৱাফম ফোঙদোকখি।

আই এ আর আই অমসুং ৱর্দান ( ভলুন্তরি এক্সন ফোর রিসার্চ দিবেলপমেন্ত এন্দ নেতৱার্কিং) না পূন্না শীনবা কনফরেন্স অসিদা ফংলকপা ৱাখলোনশিং অদু গবর্নমেন্ততা সজেস তৌগনি।

পানবা য়াবা অমনা আই সি এ আর (ইন্দিয়ান কাউন্সিল ফোর এগ্রীকলচরেল রিসার্চ) গী মাইকৈন্দগীসু চেঙ মখল অসি তোঙান তোঙানবা প্লেতফোর্মদা প্রমোত তৌবগী থবক অসি মতম খরগী মমাঙদগী চাঙশিন্দুনা লাক্লিবনি হায়নসু রিপোর্ত অসিনা মখা তারি।